# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses




এম এল এ ঙুরসাংলুর সনাতেনা লুচিংবা মার কম্যুনিতিগী সী এস ওশিংগী লিদরশিংনা এন বিরেননা অনীরকশুবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইরকপবু তরাম্না ওক্তুনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লখিবা


মীওইবগী মশক লেপ্পবা 'লোজিক' - ১
☛ লামায় ২

এমপ্লোয়ীশিংগী জে এ সীনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে
☛ লামায় ৩

ডা. ও সনাজাওবীগী লাইরিক ফোঙখ্রে
☛ লামায় ৫

এস আই আইদিয়েল হায় স্কুল য়েংশিনখ্রে
☛ লামায় ৬


মণিপুরী ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন (এম এস এফ) না মে ৪, ২০১৮দগী কায়থরক্লিবা অঙৈং অশাগী খল কন্নবগীদমক চথরকখিবা 'শংহল্লসি মণিপুর' গী মখাদা উ পাম্বীশিং থাখিবা




Vol. 46, Issue No. 068 | ইরাই, ইঙাগী মরিনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, June 03, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


### ঈ দিনা সমন তৌরকখিবা সোনিয়া গান্ধী কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : এ আই সী সীগী মকোক থোংবা লুচিংবী সোনিয়া গান্ধী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী আইসোলেসন তৌদুনা লৈরে হায়রি। কোংগ্রেস পার্টিনা ত্বিটরদা পোষ্ট তৌরকপা ৱারোল অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহাক্কী হকচাং ফনা লৈবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়রি।

মহাক ঙরাং নুংথিলদা ফিভর তৌরকপদগী টেষ্ট তৌরুবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরমখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক মেদিকেল এদভাইস মতুংইন্না মহাক মশামক আইসোলেসন তৌদুনা লৈখিবগা লোয়ননা মহাকপু কোংগ্রেসকী ৱার্করশিং য়াওনা লুচিংবশিং অমসুং মহাকপু শৌগৎপশিংনা অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোক্লখ্রে।

পনবা য়াবদি, এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা সোনিয়া গান্ধীবু দিরেক্টোরেট অসিগী ওফিসতা মচানুপা রাহুল গান্ধীগা লোয়ননা নেসনল হেরাল্ড কেসকী মতাংদা থা অসিগী ৮দা লাক্নবা সমন তৌরকখিবা লৈখিবনি।

চৈরকসিদা এ আই সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ কে সী ভেনুগোপালসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়রি।

### ৱর্ল্ড বাইসাইকল দে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস) : ন্যু যুব কেন্দ্র সঙ্গথননা শীন্দুনা হয়েং ইম্ফাল অমসুং অন্দ্রোদা ৱর্ল্ড বাইসাইকল দেগী থৌরম পাঙথোক্লনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, নুমিৎ অসিগী থৌরম পাঙথোক্লবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কুমজা ২০১৮দা লাউথোকখিবনি।

### মিনিষ্টরনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস) : ৱাটর রিসোর্সেস অমসুং রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ঙসি ক্ষেত্রিগাওগী এম এল এ সৈখ নুরুল হাসনগা লোয়ননা ইরিল তুরেল অমসুং তুরেল অসিদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## বোর্দর ফেন্সিং মণিপুরগী ঙমখৈদা কিলোমিটর ১ চঙশিল্লক্লগা খাজিল্লক্লে

# লৈঙাক্না জুন ২০ ফাওবগী মনুংদা থবক পায়খৎত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি ঃ য়ু সী এম




ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী লম মাঙলগা বোর্দরদা ফেন্সিং খারিবসি ইন্দিয়াগী মেপ্পা হোংদোক্কদৌরিব্রা হায়বা ৱাহং হংলদুনা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা বোর্দর ফেন্সিংগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্ত্রবদি অকনবা ঈহৌ চঙশিল্লগনি হায়না য়ুনাইটেদ কন্মিটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লম্ফেলদা লৈবা য়ু সী এমগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কন্মিটি অসিগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, বোর্দর ফেন্সিং খাজিল্লকপদা মণিপুরগী লম মাঙলবনিনা ইন্দিয়াগী মেপ অসি হোংদোকপা তাবনি। মণিপুরগী মেপসু লৈবাক অসিনা য়েকচরিবা মেপকী মনুং চনবনি। অদুবু বোর্দর ফেন্সিং খাজিল্লক্লিবা অসিগী মতুংইন্না মেপ হোংদোক্কনি হায়রক্লগদি ইন্দিয়া অসি মশানা শোঙ্গরে তাকপনি হায়খি।

ঐখোয় ইন্দিয়া মচা অমা ওইনা অমসুং ঐখোয়গী লমগী চপ চাবা দোক্যুমেন্টশিং লৈনা লৈনা ঐখোয়না তৌগদবা থবকশিংদু তৌদ্রগদি তূমিন্না লৈশিন্দুনা মতম হৌখিবা ঙাইবগী চংনবী তোল্লকসি। হায়রিবা থৌওং অসিদি নুংঙাইতনীংঙাই ওইবা থৌওংনি। মণিপুরগী এসেমব্লি সিট ৬০গী মীহুৎশিংনা পূক্নিং চঙবীয়ু। ঐখোয়গী ঙমখৈ, লম লৈত্রগদি ঙসিগী লৈঙাক, লৈঙাকসিগী চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিং অমসুং এম এল এশিং লৈখিগদ্রা হায়বা ৱাহংসু হংখি।

মরম অসিনা ঐখোয়না ঐখোয়গী লম ঙাকপা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌদাংনি। অশেংবা ঙমখৈদা শম্বল খাবা হায়বসিসু ঐখোয়গী ইথৌ ওইগদবনি হায়খি।

শম্বল খাবগী থবক অসি সেন্ত্রেলগী ওইবা থবক ওইরগসু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টরশিংনা পূন্না কূপ্না খন্নবীরগা পরম চুম্না পায়খৎলবা মতমদা মতিং লৈবা অমসুং মপাঙ্গল কনবা মণিপুর অমা ওইগদবনি। মীয়ামগী মায়কৈদগী য়ু সী এমদা পীরকপা পাউজেলশিংগী মনুংদা ঙসি ফাওবদা য়ু সী এমনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ষ্টেট দিজাষ্টর রেসপোন্স ফোর্সতা অনত্রেন্দ পর্সনেলশিংনা মশীং হেল্লম্লে

# শেল লৌরগা দ্যুটি তৌহল্লমদবগী সী ও য়াওনা পর্সনেল ৪ সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌনবগুম মণিপুরদসু মতম মতমগী ওইবা দিজাষ্টরগী খুদোংথীবা থৌদোকশিং মায়োক্নরকপদা মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন থুম কন্নবগীদমক শেমখিবা ষ্টেট দিজাষ্টর রেসপোন্স ফোর্স (এস দি আর এফ) তা লৈবা অপূনবা পর্সনেল ১৫২গী মনুংদা ত্রেন্দ তৌরবা পর্সনেল মশীংদগী অন-ত্রেন্দ পর্সনেল মশীংনা হেল্লম্বগী মথক্তা থাগী ওইনা লুপা লিশীং ৩দগীনা ৫ ফাওবা লৌরগা ওফিস কাদুনা মথৌ পাঙথোকপগী মহুত্তা মরন্নাইগী থবক তৌহল্লম্বগী থৌদোক থোক্লম্বগা লোয়ননা চেন্নবা কম্যান্দেন্ট য়াওনা পর্সনেল ৪ থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এদিসনেল দি জি পি ক্লে খোংসাইনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, মণিপুরগী এস দি আর এফকী পর্সনেল খরনা ফোর্স অসিগী মকোক থোংবা ওফিসরশিংদা শেল পীরগা থবক লৈথোকপা পর্সনেলশিং য়াওরে হায়বগী রিপোর্ট চীফ মিনিষ্টরদা ফাইল তৌরকপদগী রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না চথখিবা ইনক্বারিদা এস দি আর এফকী অপূনবা পর্সনেলশিংগী মনুংদা অন-ত্রেন্দ পর্সনেলশিংগী মশীংনা হেন্না লৈরম্বগা লোয়ননা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অসিদা পল্লকখিবা ৱাফমশিং অচুম্বনি হায়বা খঙবা ঙল্লকপনি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হৌখিবা মে ৩১দা ক্লে খোংসাই মশামক্না লুচিংবা ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি, এম প্রদিপ অমদি এদিসনেল এস পি প্রমেস অরাম্বম য়াওনা ইনক্বারি চথবা হৌখি। অনীশুবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী কেম্পসতা লৈবা এস দি আর এফকী ওফিসতা অয়ূক পুং ৬.৩০দগী হৌরদুনা নুমিৎতুগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৭ ফাওবা ইনক্বারি চথখি।

এ দি জি পিনা লুচিংবা ইনক্বারি ওফিসলশিংনা চঙশিল্লুবদা ক্কুইক রেস্পোন্স ফোর্স (ক্যু আর এফ) কী পর্সনেলশিং নত্তনা এস দি আর এফকী পর্সনেল অমত্তা লৈরমদে হায়রি। মদুদগী ফোর্স ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

### এম এল এ সোরোখাইবম রাজেনগী এসেটকী গ্রোস টোটেল ভেল্যু লুপা ১,৭৭,২০,৪৪৪ ওইখি

**মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎশিংগী লন-থুম খঙমিন্নসি -২০**

**এম এল এ, এস রাজেন**

**খোমজিনবা- ডা. খাইদেম অথৌবা**

এম এল এ সোরোখাইবম রাজেন অমদি মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা নন এগ্রিকলচরেল লেন্দ, কম্মর্সিএল বিল্ডিং অমদি রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং অমত্তা লৈরমদ্রে



ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস) : চহী অসিগী ফেব্রুৱারি অমদি মার্চতা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা ১৭-লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী মীরেপ ওইদুনা মীখলদা মায় পাক্লকখ্রবা সোরোখাইবম রাজেন (৫৭) ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সলাম কৈখুদগী সোরোখাইবম য়াইমবীগী মচানুপানি। মহাক কুমজা ১৯৮৮দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা ৱাংজিংগী ৱাই কে কোলেজদগী বেচেলর ওফ আর্টস লোইশিনখি।

এম এল এ, এস রাজেনগী মীখল মাঙওইননা ইলেক্সনগী রিটর্নিং ওফিসরদা পীশিনখিবা নোমিনেসন পেপরগা লোয়নবা এফিদেভিটকী মতুংইন্না ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলগী মমাংদা মহাক্কী মখুৎতা শেল ওইনা লুপা ১,৫০,০০০ লৈখি। মহাক্কী লোয়নবী তাওরেম শ্যামাগী মখুৎতনা শেল ওইনা লুপা ৭৫,০০০ লৈখি।

মহাক্কী এস বি আইগী একাউন্টদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# কুমজা ২০২৪দা লৈবাকসিদা কোংগ্রেস লৈঙাক অমুক হল্লক্লগনি ঃ এম পি সী সী




ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : রাজস্থানগী উদয়পুরদা মমাঙ থাগী ১৩দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা কোংগ্রেস পার্টিগী চেতন সিবির নব সঙ্কল্পদা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না মণিপুরদসু মণিপুর প্রদেস কোংগ্রেস কন্মিটিনা শিন্দুনা ঙরাংদগী নব সঙ্কল্পকী থৌরম হৌখিবগা লোয়ননা অনৌবা ৱারেপ কয়া লৌরে হায়না কোংগ্রেসকী ৱাঙাঙলোই নিঙোম্বম ভুপেন্দ্র মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, রাজস্থান্দা পাঙথোকখিবা নব সঙ্কল্পকী থৌরম মতুংইন্না কুমজা ২০২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীখলদা লৈবাক অসিদা কোংগ্রেস অমুক হন্না লাক্লগনি হায়বগী অকিবা লৈরকপদগী এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটপু পোলিটিকেলগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরক্লে। অদুবু চেতন সিবিরগী থৌরম অসিদি লৈবাক অসিদা মরিরক পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরগী ওইনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# লায়রবা ইমুংশিংদা হকথেংননা চৎতুনা পাংবা য়াবা মতেং পাংলগনি ঃ এ শর্দা



ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : বি জে পিগী মরু ওইবা পান্দমদি পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা মীওইবগী কান্নবা থবক তৌবা অমসুং অৱা অনা তারবশিংদা মতেং পাংবগা লোয়ননা অফবা লৈঙাক অমা ওইহনবনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, বি জে পিনা মণিপুরদা লৈবা লায়রবা মীয়ামগী য়ূম য়ূমদা পার্টি অসিগী কার্য্যকর্টাশিংনা হকথেংননা চৎতুনা মখোয়বু মশক খঙদোক্লগা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি।

ঙসিগী থৌরম অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না চহী ৮ চুপ্পা ৱায়েল থৌদা পায়রকপদা পায়খৎখিবা চাওখৎ থৌরাংশিং মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক পাঙথোকখিবনি। বি জে পিনা সেবা সুসাসন, গরিব কল্যান পর্বগা মরী লৈননা মীওইবগী থৌগল তৌবগা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# নুপীমচা ১ সোপ্পিং তৌরুসি হায়দুনা পুথোকখ্রগা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরগা হুন্দোক্লমলে

**চেন্নবনি হায়বা মীওই গাড়ীগা কোন্ননা পুলিসনা ফাগৎখ্রে**






ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : মমাঙ থাগী ২৪দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা পোক্সো এক্টকী কেস অমগা মরী লৈননা ফাদুনা কুমজা ২০১৯দগী জেলদা থম্লকখিবা মীওই অমনা বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবা প্রেয়র খন্নবদা পোক্সো এক্টকী কেস অদুগী ৱায়েল থা ৬কী মনুংদা লোইশিন্নবা দিরেক্সন পীখিবগা ইরোয়ননা নুমিৎ নীনিগী মমাঙ মে ৩০দা ফাষ্ট ত্রেক্ট স্পেসল কোর্ট নম্বর ১গী জজ এস ইমোচাগী কোর্টনা চহী ৮ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরগা হাৎতোকখিবা মীওই অমা মরালগী মতুংইন্না পুন্সি চূপ্পগী ফাদোক পীখিবতা ঙাইরিঙৈদা মশাগী চহী ১৮ রোম শুরবী নুপীমচা অমা মীওই অমনা বোলেরো (এ আর-০১/ঈ-৬০৩৫) পুরক্তুনা সোপ্পিং তৌরুসি হায়দুনা পুথোক্লগা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# ৱাঙ্খৈ খুনৌদা বোম পোকখায়হল্লম্লে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস) : ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ তারমদাইদা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চল্লিবা ৱাঙ্খৈ খুনৌদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা শোকখিদে অদুবু বোম পোকখায়ফম মনাক্তা লৈবা য়ূমগী শরুক খরা অমাঙ অতা থোকখ্রে।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়বদা হেন্দ গ্রেনেদ অদু অহানবদা রাজ মেদিসিটিগী মেনেজিং দিরেক্টর রাজেনগী য়ূমথক্তা তারগা মহাক্কী য়ূমগা থংনরিবা ৱাঙ্খৈময়ূম রোসন (৩২) অপোকপা লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু সুরেন্দ্রগী থোঙ্গাল ময়াদা তারক্তুনা পোকখায়খিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী পাউ ফংবগা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা থি-হুম্বগী থবক চথখিবগা লোয়ননা ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংসু লাক্তুনা ইনভেষ্টিগেসন চথরকখি। লোয়ননা ৱাঙ্খৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারসু থৌদোক থোকফমদা লাক্তুনা য়েংশিনখি।

অদুম ওইনমক থৌদোক অসি করম্বা মীওইনা কনাদা টার্গেট তৌদুনা করিগীদমক পোকখায়হল্লম্লিবনো হায়বদু খঙবা ঙমখিদ্রি। পুলিসকী মায়কৈদগীসু থৌদোকসিদা চেন্নবা মীওই অমত্তা ফাবা-পূনবা তৌখিবগী পাউ লৈখিদ্রি।

# প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদু য়ূম্ফম য়াওদবা শেমজিন শাজিনবনি ঃ হাওমি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : কুকি ইনপি, মণিপুরনা থা অসিগী ১দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা থাখিবা মেমোরেন্দমদা ইরিবা অরানবা কনকোক্টেদ, বেজলেস অমসুং ফেক্সি মণিপুর হিষ্টোরিগী মতাংদা ইরিবদু করিসু কান্নবা ফংলোই মরমদি ওক্টোবর ১৫, ২০১৯দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা মণিপুর এঙলো-কুকি ৱার থোকখিদে হায়না দোক্যুমেন্টকা লোয়ননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মেমোরেন্দম পীখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি ফেদরেসন ওফ হাওমিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ডা. খোমদোন লিসমনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, কুকি ইনপিনা এঙলো কুকি ৱার ১৯১৭-১৯১৯নি হায়না পল্লিবদু কুমজা ১৯১৯গী মে ১৮দা কুকি প্রিজনর ১২না কোহিমা জেলদা লৈনা লৈনা এপ্লিকেসন কন্মিস্নর, সুমা ভেল্লি অমসুং হিল দিষ্ট্রিক্টতা নাগা হিলসকী দেপ্যুটি কন্মিস্নরগী খূত্থাংদা পীশিনখি। ৱাফমদি কুকি প্রিজিনর ১২অদুনা মখোয়না হৌরিবা লালহৌসি বৃটিশকী মায়োক্তা নত্তে, মহারাজগী মনাওনুপানি হায়বা চিঙাখম্বা সনা চাওবনা মণিপুরগী নিংথৌগী মথক্তা ফম মুনবগী ইহৌদা কুকিনা মতেং পাংবনি। করিগুম্বা চীংঙাখম্বনা মায় পাক্লগদি কুকিগী হাওস টেক্স অদু লুপা ৩দগী লুপা ১দা হন্থগনি হায়বগীদমক চীংঙাখম্বগী মতেং পাংবনি হায়রি।

মরম অদুনা মখোয়দা পীরিবা মরাল অদু কোকপীয়ু হায়না কুকি প্রিজনর ১২ অদুনা খূৎয়েক পীরগা থাখিবা এপ্লিকেসন অদু ফেদরেসন ওফ হাওমীনা ময়েক শেংনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা পীখ্রে। অদুনা ফেন্সিগী ৱারী অদু কান্নবা ফংলোই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইরমদসিদা খোংসাই অমদি থাদৌশিংগা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগা য়াম্না নুংশি চান্ননা লৈরকখি। থাদৌ অমদি খোংসাইনা কৈদৌঙৈদা মণিপুর থুগাইনবা অমদি নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী মায়োক্তা থবক তৌরক্ত্রি অদুগা মরক্তা হাইজিল্লকপা কুকিশিংনা লমদমসিগী হিষ্টোরি শেমদোকপা অমদি কম্যুনেল শাগৎপা অসি লেপ্তুনা তৌরক্লি। অদুনা মসি তৌবীরোইদবনি। মরম অসিনা কুকিশিংনা থাদৌ অমদি খোংসাইগী রাইটসসু মৎলোইদবনি হায়রি।

ফেদরেসন ওফ হাওমিনা ইরমদমসিগী অপূনবগী শক্তম অমদি পুৱারীবু শীংনরকপদা কৈদৌঙৈদসু তূমিন্না লৈরোই, চপ চানা থেংনগনি হায়রি।

### পোজিটিভ কেস ১ থেংনবদগী এক্টিভ কেস ১০ শুরে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্ট রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী নুপী অমা কোভিদ পোজিটিভ ওইখিবগী মথক্তা ঙসিগী ওইনা নাবা ফগৎলক্লবা মীওই অমত্তা দিসচার্জ তৌখিদবনা অপূনবা এক্টিভ কেসকী মশীং ১০ শুরে হায়রি।

পোজিটিভ কেস অদু রিমসতা চথৎখিবা টেষ্টকী রিজল্টগী মতুংইন্না ফংবনি হায়রি। লোয়ননা মহাক্কীদমক লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অদুবু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কন্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অমত্তগী পুন্সি মাঙখিদবগা লোয়ননা হান্নদগী লৈরকপা লায়না অসিনা শিহনখিবা অপূনবা মীশিং ২১২০ ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# ভি আই পিগী মমাঙদা জগোয় ঈশৈ উৎলমদাইদা য়ু থকপা য়ারোই ঃ কিমাক্স

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস) : লাই হরাওবগী থৌরমশিংদা জগোয় ঈশৈ উৎপা অমসুং লৈবাক মীয়াম মাঙদা নাৎকী ফিজোল শেৎ-চাদুনা কলচরেল প্রোগ্রামশিং উৎপা হায়বসি চৎনদুনা লাকই। মরম অসিনা ফনা চাওবা মী ওইরবসু নৎত্রগা ভি আই পি ওইরবসু মখোয়গী মমাঙদা হোটেলনচিংবদা নাৎকী ফিজেল শেৎ চাদুনা কলচরেল প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপদা থৌরমশিং অদু হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা য়ুনচিংবা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং শীজিন্নবা লেপ্পীয়ু। য়াম্না চাওবা ভি আই পি ওইরবসু মণিপুরগী ফজখ্রবা নাৎকী কলচরেল আইটেমশিং উৎননবদং হোৎনমিন্নসি। অসিগুম্বা থৌরমশিং অসিদা য়ু থকপ্রা হায়বদু য়েংশিল্লগনি, মীয়াম্নসু পাউ পীবিরকউ হায়রি।

ৱাফম অসি কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স) কী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সোসাইটি অসিগী আর্ট এন্দ কলচরগী সেক্রেটরি লাইশ্রম সঞ্জিৎনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, ইনাৎ কলচরগী ফজখ্রবশিং উৎকে খল্লগদি কাঙলূপ ফুরুপশিংগী য়েংলগা চুম্না পাঙথোকপীয়ু। ইনাৎ কলচরগী আইটেমশিং ময়েক শেংনা উৎননবা থৌদাং লৌমিন্নসি। মরু ওইনা আর্টিষ্টশিং অমসুং কলচরেল ওর্গনাইজেসনশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ওইরগসু কিমাক্সতা পাউ পীবিয়ু। নেকপীরিবশিংনা অলকোহোল য়াওই/য়াওদে ময়েক শেংনা খঙহনবীয়ু। ৱাফম অসি হান্না হোটেলনচিংবদা পাঙথোকখিবা থৌরমশিংদা অলকোহোল য়াওবগী পাউ তাবদগী হায়জবনি, মতুংদা তৌবীগনু হায়খি। ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### HL Poll

Q: Aranba touba Civil/Police personelsinggi mathakta action louraklibasi achumba khongthang oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: Anouba leingakna Executive amasung Judiciarybu mapangal kankhathalle haibada langadra?

Yes 20% No 80%

### অস! লোইরেহে!

- পেত্রোল হোংদোক্লে, গ্যাস তাঙখৎলে।



- হোংদোকপগী করি কান্নরি।


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫